থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# কাউঙমদ্রবা ৱারেং খরা, শৈরেং

চহী মরি শুরমাল্লে, ঐনা রাজস্থানগী জয়পুরদা লৈরিঙৈ ৱারী অমা পারকখি। ৱারী অদু কনানা ইবনো? অশেংবা থৌদোক অমরা? কনাগুম্বা অইবা অমগী ৱাখলদগী থোকখিবরা? মদুসু খঙবা ঙমদরে। অদুবু ৱারী অদুনা ঐগী থম্মোয়বু ঙাইহাক পুঙ্গোয় খরদি খোন্দুনা পুবা হায়গদ্রা, শুমদুনা থম্বা হায়গদ্রা - ৱাখল অমা খন্থহনখি। ঙসি খঙনীং-নীংশিংলক্তুনা থম্মোয় পাউদম ওইনা তল্লিবনি, অদোমগী থম্মোয়বুসু ৱারীসিনা শোক্লুবা ঙমগদ্রা খঞ্জদুনা।

নুপা অমা লৈরম্মী হায়। ইনাক পংখুন খুন্দবা, পৎ তৎনসু লায়রদবা। মীঙোন্দসু কায়জরোই ঐঙোন্দসু লানবীরক্নু - হায়বা পুকচেল অদুনি। নোংমা খোরি কৈথেলদা নুপী অমা থেংনরুই। মীৎকা মীৎকা মীৎচানরু', মীৎচি তেন'কা হায়নবদু থম্মোয় অনীদা পান্নখি। শকখঙ মায়খঙনদুনা তোয়না তোয়না উনরে। নুংশি-ৱাশক্লদুনা পুন্সি লৈপুন শেমখরে, যূম্বান্দুনা লৈমিন্নরে। নুপাদুনা নুপীদুবু কা হেন্না নুংশিরুই। মরমদি নুপীদুগী চেংলৌ-শক্তম, কুচু-কুমেন, শাবান-ফিরেপ-কা হেন্না নীংথিজৈ। অউবা খুদিংগী মিতানফম'নি, মীৎফম হোংদা য়েংনবনি। নিংথৌগী লৈমা ওইবনা হেন্না চূনরমগদবা, খাংপোক'কুম্বা যূমদুদা করি য়েংদুনা লাক্লিবা? মশা মীনাই ওইর'সু মাবুদি নুংঙাইনা থল্লগে - নুপাদুগী ৱাশকনি। 'মীথোই-মীহেন নৎত্র'সু মাবু হেনবা ইপুরোইবা কদায়দসু ফংলরোই' - নুপীদুগী ৱাখলনি। মখোয়'নীগী যূম্বান-পুন্সি, কৈরোয়-লৈকায় ৱারীনফম ওইরকপদি মহৌশানি।

মীনা শীনবনা অমনি, লাইনা তম্বনা অমনি। খঙহৌদনা থোক্লকপা মৈহৌ লাংপোক অমদা, ফজবগী লাইরেম্বীনা কল্লক্লফম ওইবা মায়থোঙদু য়েংহৈদবা শকফম ওইখরে, অউববু অকি-অখং পোকহনবগী থাক্তুনি। সনা-লুপাই লনগৈদগী, মাগী চেংলৌ শক্তমনা হেনবা লন'নী খঞ্জবা মপুরোইবনা লাংলিবা অৱা-মৈশা, খনবতদা ৱাজখি। নুপীদুগী মতৌদু নুপানসু য়েংঙমদে। নীংবা কায়বই মৈশানা য়াইবী থৱায় লৌখিদ্রা, মদুইদমক্লি ৱাখিবা। অমনা অমগী ৱাজবা হায়দোক্লবা তৌদনা থম্মোয়নুংদা ফুম্লখি। নোংদম্বগী নোংদমখোন অঙকপনি অঙকপা! লাইবক থীবা থৌদোক অমগী তুং নুপাদু মমীৎ উখিদ্রে। তালোয় মাগী শক্তমদু থীবা নৎত্রগা ফজবা, হৌজিক করি খেন্নরি! তমথীরবা লাইবক্লা, মমাগী তম্পাক হায়'দুসু ওইহনবীদ্রে মহাক্কী। কুমজা কয়া হৌখ্র'তুং, অশিবগী লাইদুনা লৌশিনবীখি নুপীদু। নায়তোম তার' পুন্সিদু মপুই কাদা শিন্নরগে, তীর্থ খুদিং চত্তুনা পুন্সি পিখম্লরগে খন, ময়ূম ইঙ্খোল পূম্নমক পীথোক্লল্লে মীয়ামদা। 'মীত্তাঙলবা মহাক্কী চৈশু ওইনা লৈরম্বা তালোয় মহাক য়াওদনা করম' মখোঙ থাংগনি' - মীয়াম্না ৱারিবদু উবদা হায়রকই ... 'মীত্তাঙবা নত্তে ঐহাক, তালোয় মাগীদমক্তা মীত্তাংবা ওইনা লেনখিবনি ঐহাক্লা ... মীততাঙবা অমই মফমদা ফজবা নৎত্রগা অথীবা খেন্নবা লৈতে খঙবদুনা ময়েং তাবা নাইখিদবনি ইবানিগী নুংশিবা, নুংশিবদুনা লীপুন ওই চৎমিন্নরম্বনি ইবানি, ঐনা ঐগী তালোয়গী অৱা শকপুনবা য়েংঙমখিদে কৈদৌনুং, ৱাবই মমি তাদবা শক্তম অদু উনবা, মীত্তাঙবা ওইখিবনি ঐহাক...'। ৱাহৈ অসি হায়রগা চৎখি মহাক মায়কৈ খঙদ' লম্বীদা।

ৱারীসিনা পীরকপা থম্মোয় ইথিল অদুগা, অতোপ্পা পাউজেল অমা মফম খঙদা থারক্লিবসিদা লোৎলিবা, ঙসিগী নুপাশিংগী থম্মোয় মপাউসিসু তাবীয়ু...'চাকশঙ অমদি টেলিভিজন সেটশিংগী মমাঙদতা ফংগদবা থৱায় পানবদুগী মমিংনি যূমগী নুপী ... ৱারৌরবা থম্মোয় নত্তনা অতৈ অমা পুবা হৈতবনি মথম্মোয়দা... মহাক্লা খ্বাইদই খোয়দাজবা খূৎলায়নি মপি শিন্থরগা মপুরোইবগী মফমদা চীরোল তৌবা ... মহাক্কা নক্লনা লৈবগী শোয়ফদ্রবা খুদোলনি, লায়েংনবা পাম্বে লৈতবা টেন্সন কৌবা থম্মোয়গী লায়না...।'

অতোপ্পা অতেনবা ৱারেংনি... রামায়ন কৌবা লাইরিক'তু তোঙান তোঙানবা তালোয় মখল কয়াগী ৱারীনি। রাম'না মাগী লোয়নবী সীতাবু চহী তরামরিগী উমং খোঙচত্তা খোঙলোয় ওইনা পুরকখি। মনাওনুপা লক্ষ্মন'না মাগী নুপী উর্মিলাবু যূমশঙবী ওইনা থল্লমখি। রাবন'না মীগী নুপী ময়ূমদা পুরকখিবগী অৱাফমদা তাখি। সুগ্রিব'না রামগী মীচঙদা লেপ্তুনা বলিগী মথক্তা লান্দাখি, বলিনা মুন্দুনা লৌখ্রবা মাগী নুপীদু অমুক হন্না লৌনবা। মশামক্কী লোয়নবীদি লৈখিদবা হনুমান, অতোপ্পগী তালোয়গীদমক্তা লঙ্কা পূম্বা মৈ থাখি। মীখূৎ চনখ্রবা তালোয়দু অমুক হন্না লৌনবা শ্রীরাম, কোরৌ নুমিৎ তরানি অকনবা লান শোক্লখি, কাইনথংদা তালোয় মানা 'অন্দরগ্রাউন্দ' (লৈমায়নুং) দা চঙখিনবা। পূম্নমকসি করিদগী? দশরথ'না তালোয় অহুম, 'তূলোন্দুনা লৌরুঙৈদগী...। খনথবীয়ু লানবরা?

অরোয়বদা শৈরেং অমা ... 'তাইবঙ শেম্বা মপুনা, নুপী ওইবী মহাকপু, থাজ মাগা চাংদম্নবী, শকহেনবী ওইনা শেম্লম্মি। শজি মীত্তা ঙমজবী, ৱাহোংগুম্না তথকপী, চোইজাইনবা শল্লাং। কোকিল খোঞ্জেল ঙমজবী, লৈরাংগুম তথোৎপী, তঙাংলবী চীনবান, খোইহীগুম থুম্বা ৱাঙাঙ, নুংশিবনা থল্লবা থম্মোয়...। অদুগা, অদোম খঙবীদবরা? চীনবান্দুদৈ থোক্লকপা ৱাহৈ অমনা, ইমুং অমদি হায়রুনু, লৈপাকফাওবা থুগায়'ঙম্মি।

লুহোংবা নৌরিঙৈ চহী অহুম -মতৈ মনাওগী কা অদু থল্লম্মী - নুংশিবা লৈনম, হৈরাং-লৈরাং। মথং চহী অহুমদনা - জোনসন পাউদর, জোনসন ক্রিম, হগ্গিজ দাইপর। চহী তরামঙাগী মতুংদা - ভিক্স, আইওদেক্স অমদি খ্বাংতৈ মলম। চহী নিফুগী মতুংদা বোকুল ধুপ অমদি মোমবতি।

লুহোংদ্রিঙৈ মমাঙদা খোঞ্জেলদুতমক ঈখৌ লাংবা, লুহোংলবা মতুংদা খোঞ্জেল অদু তাদনবা হ্বিস্কি ব্রান্দিগী মনাক নকপা! হায়বীয়ু - কনাই মরালনো?

লৌশিং পুক্কে

# মোদর্ন মেদিসিন অমদি মসিগী খোঙচৎ-৩



The first successful kidney transplant in 1954.

**২০শুবা চহীচাদা লৈখিবা শীংথানবা য়াবশিং**

১৯০১: ওষ্ট্রিয়ান বাইওলোজিষ্ট অমসুং ফিজিসিয়ন কার্ল লেন্দষ্টিনরনা তোঙান তোঙানবা ঈগী মখলশিংবু মশক খঙদোকখি, অমদি মখোয়বু ব্লদ গ্রুপশিং ওইনা খায়দোকখি।

১৯০১: জর্মন সাইক্যাট্রিষ্ট অমসুং ন্যুরোপেথোলোজিষ্ট অলোইস অলজৈমরনা প্রজেনাইল দিমেন্সিয়াবু আইদেন্টিফাই তৌখি, তুংদা মসিবু অলজৈমর'স দিজিজ হায়না খঙনখি।

১৯০৩: ৱিল্লিয়ম ঐন্থোভন কৌবা দটস ফিজিওলোজিষ্ট অমনা ইহান হানবা প্রেক্টিকেল ইলেক্ট্রোকার্দিওগ্রাম (ঈ সী জি নৎত্রগা ঈ কে জি) পুথোকখি।

১৯০৬: ফ্রেদরিক হোপকিন্স কৌবা ইংলিস বাইওকেমিষ্ট অমনা বিটামিন দিস্কোভর তৌখিবগা লোয়ননা স্কর্ভি অমদি রিকেট্স অসি ভিটামিন ৱাৎপনা থোকহনবনি হায়না সজেষ্ট তৌখি।

১৯০৭: জর্মন দোক্টর অমসুং সাইন্টিষ্ট পাউল ইরলিকনা স্লিপিং সিকনেসকী কেমোথেরাপ্যুটিক কিওর পুথোকখি। মহাক্কী লেবনা সিফিলিসকী ইহান হানবা ইফেক্টিব ওইবা ট্রিটমেন্ট অর্সেফিনামাইন (সালভার্সান) সু পুথোকখি। মখোয়শিং অসিনা কেমোথেরাপি শীজিন্নবা হৌরকখিবা ইহান হানবা দিস্কোভরিশিংনি।

১৯২১: মেদিকেল সাইন্টিষ্ট সর ফ্রেদরিক বান্টিং কৌবা কেনাদিয়ান অমনা ইন্সুলিন দিসকোভর তৌখি।

১৯২৩-১৯২৭: সাইন্টিষ্টশিংনা দিপ্থেরিয়া, পর্টুসিস (হুপিং কফ), ট্যুবরক্যুলোসিস (টি বি), অমসুং টিটানসকী ইহান হানবা ভেক্সিন দিস্কোভর তৌদুনা শীজিন্নবা হৌখি।

১৯২৮: সর অলেকজেন্দর ফ্লেমিং কৌবা স্কোটিস বাইওলোজিষ্ট অমসুং ফার্মাসিষ্ট অসিনা পিনিসিল্লিন দিস্কোভর তৌখি। মসিনা মীওই মিল্লিয়ন কয়াগী পুন্সিবু কন্দুনা পুৱারীদা অচৌবা অওনবা অমা পুরকখি।

১৯২৯: জর্মন দোক্টর হান্স বর্গরনা হ্যুমেন ইলেক্ট্রোইন্সেফালোগ্রাফি দিসকোভর তৌদুনা ব্রেন ৱেবশিংবু রেকোর্দ তৌবা ইহান হানবা মীওই ওইখি।

১৯৩২: জরহার্দ দোমাগ কৌবা জর্মন পেথোলোজিষ্ট অমসুং বেক্টিরিওলোজিষ্ট অসিনা ষ্ট্রেপ্টোকোকেল ইনফেক্সনশিংগী লায়েং অমা পুথোকখি অমদি প্রোন্তোসিল পুথোকখি।

১৯৩৫: মেক্স থৈলর কৌবা সাউথ অফ্রিকান মাইক্রোবাইওলোজিষ্ট অমনা য়েল্লো ফিভরগী ইহান হানবা তশেংনা কান্নবা ভেক্সিন পুথোকখি।

১৯৪৩: ৱিল্লিয়ম জে. কোল্ফ কৌবা দটচ দোক্টর অমনা মালেমগী ইহান হানবা দাইয়লাইসিস মেছিন শেমখি। তুংদা মহাক্লা আর্টিফিসল ওর্গান পুথোকপা হৌখি।

১৯৪৬: অমেরিকান ফার্মাকোলোজিষ্ট অল্ফ্রেদ জি. গিলমেন অমসুং লুইস এস গুদমেননা ইহান হানবা ইফেক্টিব ওইবা কেন্সর কেমোথেরাপি দ্রগ নাইট্রোজেন মস্টার্দ দিস্কোভর তৌখি।

১৯৪৮: জুলিয়স এক্সেলরোদ অমসুং বরনার্দ ব্রোদি হায়রিবা অমেরিকান কেমিষ্টশিং অসিনা এসিটামিনোফেন (পেরাসিটামোল, টাইলিনোল) পুথোকখি।

১৯৪৯: দেনিএল দেরোনা অপীকপা অঙাংশিংদা দাইরিয়া লায়েংবদা ওরেল নৎত্রগা ইন্ট্রাভেনস রিহাইদ্রেসন সোল্যুসনশিং শীজিন্নবা রিকম্মেন্দ তৌখি। মহাক্লা হেরোল্ড হেরিসনগা লোয়ননা ইহান হানবা ওইনা অনা লায়েংদা শীজিন্ননবা ইলেক্ট্রোলাইট-গ্লুকোজ সোল্যুসন শাখি।

১৯৫২: জোনাস সোল্ক কৌবা মেদিকেল রিসার্ছর অমসুং ভাইরোলোজিষ্ট ওইবা অমেরিকান অসিনা ইহান হানবা পোলিও ভেক্সিন পুথোকখি। সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱারগী মতুংদা পোলিও অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা য়াম্না তমথিবা হকশেলগী খুদোংচাদবা অমা ওইরম্বা মরম্না মহাকপু 'মিরেকল ৱর্কর' হায়না শীংথানৈ।

১৯৫৩: অমেরিকান সর্জন ডা. জোন হেসাম গিব্বোননা হার্ট-লং মেছিন পুথোকখি। মহাক্লা ইহান হানবা ওপন-হার্ট সর্জরিসু পাঙথোক্তুনা হার্ট হোবা হায়রগসু খঙনবা অট্রিএল সেপ্টেল দিফেক্ট অমা রিপ্যের তৌখি।

১৯৫৩: স্বেদিশ ফিজিসিষ্ট ইঞ্জ ইদলরনা মেদিকেল অল্ট্রাসোনোগ্রাফি (ইকোকার্দিওগ্রাফি) পুথোকখি।

১৯৫৪: জোসেফ মুরেনা ইহান হানবা মীওইবগী কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট পাঙথোকখি।

১৯৫৮: দোক্টর অমা ওইবগা লোয়ননা ইঞ্জিনিয়রসু ওইবা রুন ইল্মভিষ্টনা ইহান হানবা ওইনা মীওইবগী হকচাংদা হাপ্পা য়াবা পেচমেকর শেমখি। মহাক্লা ইহান হানবা ইঙ্কজেট ঈ সী জি প্রিন্টরসু পুথোকখি।

১৯৫৯: মিন চুইহ চাং কৌবা চাইনিজ-অমেরিকান রিপ্রদক্টিব বাইওলোজিষ্ট অমনা ঈন ভাইট্রো ফর্টিলাইজর (আই ভী এফ) পাঙথোকখি, মদুদগী ইহান হানবা টেষ্ট ট্যুব বেবি ওইখি। চাংনা কোম্বাইন্দ ওরেল কন্ত্রাসেপ্টিব পিল দিভেলপ তৌবদসু কন্ত্রিব্যুট তৌখি, মসিবু এফ দি এনা কুমজা ১৯৬০ দা এপ্রুব তৌখি।

# টি এ এন্দ হিলস দিপার্টমেন্টতা স্কিম কয়াগী এপ্লিকেসন কৌরি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচ এন এস): ট্রাইবেল এফেয়রস এন্দ হিলস দিপার্টমেন্টতা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মখাদা খুদোংচাবা পীনবগীদমক সেদ্যুল ট্রাইব ইন্দিভিজ্যুএলশিংদগী এপ্লিকেসন কৌরি হায়না টি এ এন্দ হিলস মণিপুরগী দিরেক্টর সী অর্থরনা থোকপা নোটিফিকেসন অমনা হায়রি।

নোটিফিকেসন অদুগী মতুংইন্না স্কিমশিং অদুদি, দিষ্ট্রিব্যুসন ওফ সেৱিং মেছিন, হাউজিং প্রোগ্রাম (সী জি আই সীদ), ৱাটর ষ্টোরেজ টেঙ্ক, এসিষ্টেন্স টু ৱিমেন সোসাইটিজ/ওর্গনাইজেসন/এস ঐচ জি অসিনি। সেরিএল নম্বর ১দগী ৩ ফাওবগী স্কিমশিং অসিগীদমক কমন এপ্লিকেসন ফোর্ম দিপার্টমেন্টকী ৱেবসাইটতগী দাউনলোদ তৌবা য়াগনি। এসিষ্টেন্স টু ৱিমেন সোসাইটিজ/ওর্গনাইজেসন/এস ঐচ জিগী ওইনদি মখোয়গী লেট্টর হেদকা লোয়ননা টি এ এন্দ হিলস দিরেক্টরদা এদ্রেস তৌরগা পীশিনগদবনি। এপ্লিকেসন ফোর্ম সবমিসনগী অরোইবা মতম চহীসিগী ফেব্রুৱারী ১৪নি। মসিগী মতুংদা লাকপদি লৌররোই হায়নসু নোটিফিকেসন অদুনা মখা তারি।

# খুলেম লৈকায় জুনিয়র হায় স্কুলদা চৎতুনা সর্ভে তৌখ্রে : এমসু

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচ এন এস): এমসুনা লেপ্তুনা চখরকপা লৈঙাক্কী মহৈ লোয়শঙশিংগী ফীভম ফগৎহন্নবা কেম্পেন ফোর টোটেল এদ্যুকেসনগী পান্দম মখাদা স্কুল সর্ভেগী শরুক অমা ওইনা এমসু ময়াই লোয়শঙগী মীৎয়েং মখাদা এমসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ঐচ আর দি সেক্রেটরি য়ুম্নাম রামেশনা লুচিংবা মহৈরোয় টিম অমনা থা অসিগী ২৭তা নাওরেমথোংদা লৈবা খুলেম লৈকায় জুনিয়র হায় স্কুলদা চৎতুনা সর্ভে চথখ্রে হায়না এমসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি তৌরাংবম মনোজকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, সর্ভে অসিদা মহৈ লোয়শঙ অমা লৈবগী তঙাইফদনা চঙবা মচাকশিংগী মনুংদা য়াম্না মরুওইরিবা বিল্ডিং ইনফ্রাষ্ট্রকচর, টিচিং ষ্টাফ, নন-টিচিং ষ্টাফশিং নীংথিনা লৈরমদবা থেংনখি। মহৈ লোয়শঙ অসিগী হেদ মাষ্টর/হেদ মিষ্ট্রেসকী ফম হাংদুনা লৈ। মসিনা মরম ওইরগা স্কুল অসিগী সিনিয়র ওজা অমনা ইন-চার্জ ওইনা চলাইরম্বা থেংনরকখি। মহৈ লোয়শঙ অসি ক্লাস ৱানদগী আইট ফাওবা লৈবনি। অদুবু স্কুল অসিদা ওজা ৯ খক্লা তাকপী তম্বীবা থেংনখি। ঙসিগী সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী চাউখৎ-লমজেলদা হৌরক্লিবা মহৈরোয় কয়াবু মতমগা চান্নবা অনৌবা ৱাখল লৌশিং লৈহন্দুনা তুংগী যুম্বীরেল ওইরক্কদবা কয়াদা লৌশিংগী মঙাল পীনবা লৈঙাক্কী মহৈ লোয়শঙশিংদা থবক পায়খৎপগী মমি উদবা ফীভম সর্ভে অসিদা থেংনরকখি।

স্কুল অসিদা কম্প্যুটর সিষ্টম অমত্তা লৈতবনা তঙাইফদবা চে-চাংশিং নমথোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। কম্প্যুটরগী ৱাখল লৌশিং লৈবা অমত্তা লৈরমদবা থেংনরকখি। কো এদ্যুকেসন ওইবা মহৈ লোয়শঙ অমদা নুপা-নুপীগী তোঙান তোঙানবা টোইলেট ফাওবা লৈরমদে। চাউখৎলবা মতম অসিদা য়াম্না তায়ওন্নবা ফীভমদা লৈঙাক্কী স্কুল কয়া লৈরি হায়বসি সর্ভে অসিদা থেংনরকখি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ময়োলদা লৈঙাক্কী মহৈ লোয়শঙ অমনা অসুক ফীভম থীনা মতম শাংনা লৈরম্বা অসি লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগী য়াম্না ঈকায়নিংঙাইনি। এদ্যুকেসন (এস)কী ওফিসকা নক্লনা লৈরিবা স্কুল অসিগী ফীভম অসিনা অসুক ফীভম শোক্লা লৈরম্বসিনা ইম্ফালদগী লাপ্না লৈবা মহৈ লোয়শঙশিংদদি করি ফীভম লৈরমগদগে হায়বসি হংনিংঙাই ওই। এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা মতমগা চান্নবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি তঙাইফদনা চঙবা মচাকশিং লৈহনবা ঙমদবনা লৈঙাক্কী মহৈ লোয়শঙশিংদা মহৈরোয় নোংম-নোংমগী মশিং হন্থরক্লি। মমা-মপা ওইবা কয়ানা মচাশিংবু লৈঙাক্কী মহৈ লোয়শঙশিংদা লৈরিবা ফীভম অসিদা প্রাইভেটতা তম্নবা থানবা হোৎনবগী মরম ওইরক্লি হায়নসু মখা তারি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩১।০১।২০২০ ইং, ইরাই; নুংথিল পুং ৩.৫২ ফাওবা ফাইরেলগী ৬ নি পানগনি, মতুং ৭ নি পাল্লনি।

**মেষ :** লন-থুম চাওখৎপা, মীকোক থোংবা, মীয়ামগা মরী ফবা অমদি নচা ননাই/লৈঙাক্কী লম্দা পূক্লিং পেঞ্জবা নুমিৎনি। মরুপ-মপাংনদি লৌথোকনিংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মরী ফনা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

**বৃষ :** থৌনা লৈনা থৌ পাংহৌরো-মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। নক্লবা মীশিং লোয়নবা কান্নবা ফংগনি। অরং-অরাক মাঙগদবদগী কঞ্জবা ঙল্লনি অমদি ইকায়খুম্নবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক খরদি ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**মিথুন :** অরুবা থবক পাংবা য়াবা লাক্লে অমদি ইমুং-মনুং নত্রগা লৌশিং চাওবা মীগা ৱা তান্নবনা শুংশোই শোইদনা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। মরুপকদি মরী ফত্তে।
লৈশা পাখংশিংগী - চিন য়াংগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**কর্কট :** ঙক কনগনু অমদি শকখঙদবা লোয়নগনু। হোয়া ফগনু অমদি মরৌ লৈবা মীদগী চেকশিন্দবা তৌগনু। মরুপ-মপাং লোয়নবনা মায় শোইদনা পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মরী খরা ফরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈনাপু/য়াইঙং।

**সিংহ :** ঙসিসু মীনা লাকচবা ঙমলোই অদুবু খোইরাং খোইশাওননা থৌ পাংবদি য়াদে। পোরম য়াৎপদি হৈবা ৱাৎকনি অদুনা মরুপ/ওজা-গুরু লোয়নবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - পূক্লিং লাংগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**কন্যা :** খ্বাইদগী হেন্না নীংবা থুংবা নুমিৎনি, অনৌবা অশা অমদি অনৌবা থৌরমদা পূক্লিং পেন্না পাংবা ঙমগনি। হকচাং নুংঙাইরনি, ঙাঙ শকপদা মীনা তানিংলনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা থাগৎপিরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**তুলা :** অহেনবা লৌশিং খরা ৱাৎপনা পূক্লিং ৱাবা খরা লৈরসু থোইনা ফত্তবদি নংলোই। অনীংবা থবক্তি হান্নগুম পাংগনি। য়েক্লবনা লান্না পাউথোকপিবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**বৃশ্চিক :** নাইতোম ৱারেপ লৌবা ঙল্লনি, লৈঙাক্কী লম্দা মীনা লাকচবা ঙল্লরোই অমদি ইমুং-মনুং/মীয়ামগা ৱা তানবসু কান্নবা ফংলনি। পাউদি ইনুং নুংঙাইতে।
লৈশা পাখংশিংগী - মরী ফরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**ধনু :** ঙাঙথোকপদা রাশি য়াওগনি অমদি অরং-অরাক ফংবগুম নুংঙাইজবা লৈগনি। হন্থবা লোয়নরদি অমদি অশাওবনা মাঙওইনরদি মাঙজগনি। তুংগী পোরম য়াৎহৌরো।
লৈশা পাখংশিংগী - ইকায়খুম্নবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মকর :** লাইবক ফবা হেনগৎলি, লল্লোন ইতিক কান্নবা হেনগনি অমদি অশা চাওবগী কান্নবা ফংই। অদুবু য়েক্লবনা নরলদা মীতাগনি, মী খৎনদনবা ৱাঙাঙ হৈয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**কুম্বা :** হরাওবা নুংঙাইবা অমদি মীয়াম পুল্লগা হেন্না পূক্লিং পেঞ্জবা লৈগনি। নচা-ননাইগী লম্দদি নীংবা থুংবা ৱাৎকনি অদুবু নোল্লুক্লা চৎচরদি কাইনবদি নংলোই।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।


**মিন :** লাইবক ফবদি ঙসিসু লৈ, নীংবদুমক থুংগনি অদুনা মীনা ইনশিনবা ঙাইদনা খুৎচাও থানা থৌ পাংবা য়াগনি। য়েক্লবা মাঙখিনি অমদি মীনা লাকচবা ঙমলোই।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# অনটাইটল

## অঙোম সেরাম




*Angom Seram is pursuing MFA at the Department of Fine Arts, Manipur University.*